# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-05-2026)**

**রিজল্ট(এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসননা-মনিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোক্লগনি।

বোর্দকী পাউ অমনা হায়-হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন ২০২৬ কী ফল ঙসি নুংথিল পুং ৩ দা লাউথোক্লবা য়াই। পরিক্ষা ফল অসি বোর্দকী ৱেব সাইট- মেন রিজল্টস দোট এন.আই.সি দোট ইন-দা য়েংবা য়াগনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-চহি অসিগী ফেব্রুৱাইরি ২৩ দগী মার্চ ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৬,৭২৫ না পরিক্ষা থাখি। মদুগী মনুংদা সরকারগী স্কুলশিংগী মহৈরোই লিশিং ৮,১৯১, এদেদকী লিশিং ১,৪৯৮ অমসুং লন্নাই স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭,০৩৬ য়াওরি। মসিগী মনুংদা আই.দি.পি. মহৈরোই ৩৯২ সু য়াওরি। পুন্না পরিক্ষা সেন্টর ১৬১ হাংদোকখি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈঙাক সাসনগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া খন্নখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সরকার অসিনা মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী য়েংলগা থবক থৌরম কয়া মখা তানা পায়খৎনবসু কুপা খন্নখি।

অমরোমদা, ঙরাং কামজোং জিলাগী নামলি, জেট চোরো অমসুং ৱাংলিদা হিংশাগী থৌদোকশিং থোকখিববু মুখ্য মন্ত্রিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং চুরাচান্দপুর অমসুং সেনাপতি জিলাদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংকাপকোটতা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা সিঙ্গল বেরেল রাইফল অহুম, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পোম্পী অমা, রোকেট সেল মরি, আই.ই.দি. অনি, বুল্লেট প্রুব জেকেট য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেনাপতি জিলাগী মরেমাই-হেংবুং চিংশাং পরেংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টু রাইফল অনি, মেগজিনগা লোয়ননা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, এন.পি. ফাইব অমা, মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফোরতি সভেন অমা, লোকেল মেট ভোল্ট এক্সন রাইফল মরি, লোকেল মেট সোর্ট গন অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অহুম, পোইন্ট টু টুগী পিষ্টোল অনি য়াওনা য়াল্লবা নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎখি।

**অসামঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, ঙসি নোংচুপ বেঙ্গোলদা চৎকনি। মহাকা নৌনা খল্লবা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংগা উন্নদুনা মীফম পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা দলগী লুচিংবসু খনগনি।

রাজ্যপাল-আর.এন. রবিনা ঙরাং নোংচুপ বেঙ্গোলগী হান্নগী সরকার দিজোল্ব তৌখ্রে। রাজ্য অসিগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং মন্ত্রি-মন্দলশিং হয়েং ৱাশক লৌগনি।

**অসামঃ** অসামদা বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারনা থংন-থংননা অহুমলক ওইনা থা অসিগী ১২ দা ৱাশক লৌরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা বি.জে.পি. ষ্টেট প্রসিদেন্ট-দিলিপ সাইকিয়া অমসুং দল অসিগী অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা ঙরাং অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা গুৱাহাতিদা পাঙথোকখি। মীফম অদু লোইরবা মতুং পাউমীশিংগা

উন্নবদা দলগী প্রসিদেন্ট-দিলিপ সাইকিয়ানা হায়-ৱাশক লৌবগী থৌরম গুৱাহাতিগী খানা পারাদা লৈবা ভেটেরিনারি কলেজ প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অথোইবা মীথুংলেননা ওইনা শরুক য়াগনি। মহাকা হায়-লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা দল অসিগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা হান্নগী বি.জে.পি. নেসনেল প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দা অমসুং হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি-নয়াব সিংহ সাইনিনা দল অসিগী লুচিংবা খনবগী মীখলসু য়েংশিনগনি।

**পিএমঃ** বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-সমরাত চৌধুরিগী মন্ত্রি-মন্দল ৩২ হাপচিনদুনা ঙরাং চাউথোকখ্রে।

পাটনাগী গান্ধি মৈদানদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-লেফটনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার্দ)-সয়েদ অতা হসনাইননা মন্ত্রি ৩২ থবক পায়বা অমসুং অরোনবগী ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

বিহার সরকারগী নৌনা থবক পায়গদবা মন্ত্রিশিং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা ৱাখল্লোন কয়ানা বিহার রাজ্যবু হেন্না চাউখৎপা পুরকপা ঙম্লগনি। মহাকা হায়-মন্ত্রিশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎমীন্নদুনা রাজ্য অসিবু মাংলোমদা চংশিন্নবা অমসুং চাউখৎলবা ভারত অমা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু খঙহনখি।

**ইসিআইঃ** বিধান সভা মীখল পাঙথোকখিবা অসাম, নোংচুপ বেঙ্গোল, তামিল নাদু, কেরলম অমসুং পুদুচেরি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদি বিধান সভাগী মরক্কী মীখল পাঙথোকখিবা রাজ্যশিংদা থল্লম্বা মীখলগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট লৌথোকখ্রে।

কেন্দ্রগী কেবিনেট সেক্রেটরি, রাজ্যগী ইলেক্তোরেল ওফিসারশিং অমসুং চীফ সেক্রেটরিশিংদা থাবা ৱারোল অমদা ইলেক্সন কম্মিসননা হায়-রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা মীখলগী ফল লাউথোকপা লোয়খ্রবনিনা খুদক্তগী মোদেল কোড ওফ কন্দক্ট চৎনদ্রে।

অদুমওইনমক, কম্মিসননা হায়-নোংচুপ বেঙ্গোলগী ফলতা বিধান সভা কেন্দ্রদা নৌনা মীখল পাঙথোক্কদবা অদুদদি কোড ওফ কন্দক্ট অসি চৎনখিগনি। কেন্দ্র অসিগী ভোট থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কনি। মে ২৪ দা ভোট মশিং থিগনি।

**সোনোৱালঃ** কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱাললনা হায়রি-ভারতকী মেরিটাইম সেক্তরদা নুপীশিং শরুক য়াবগী চাং ইং ২০২০ গা য়েংনবদা চাদা ৪০ গী চাংদা হেনগৎলে।

ৱাফম অসি মন্ত্রিনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা ইন্দিয়ান ওসিন দাইলোগ থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- সরকারনা পায়খৎলকপা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং মরুওইনা সাগর মেন সমাননা নুপীশিংদা মেরিটাইম সেক্তরগী লমদা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লি।

**ক্রিকেটঃ** ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ (আই.পি.এল) ক্রিকেটকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা লক্ষনৌ সুপর জাইন্সনা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরুবু রন-৯ দা থোইখ্রে।

ঙসি দিল্লি কেপিটেসকা কোলকাতা নাইট রাইদরসকা দিল্লিগী অরুন জেতলি ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ম্যান্মার মিলিটেন্টশিংনা কামজোংগী খুল অহুমদা লান্দারকখিবা, থৌওং অসি মপানগী খুৎ য়াওরে হায়না এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিংনা থমখিবা ৱাফম ঙসি ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী ইরাংদা ম্যান্মারগী কুকিশিং য়াওশিল্লকপগী ৱাফম ময়েক শেংলে। কামজোংগী খুল অহুমদা কে.এন.এ (বি) না লান্দাখ্রে, য়ুম কয়া উৎ ওনখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিংগা লোয়নননা পোকফম, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, সনা লৈবাক অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কামজোংদা চখ্থরকখিবা এট্রেক এক্সরটরনেল এগ্রেসননি হায়না এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিংনা থমখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কামজোংদা এটেক চখ্থরকখিবগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংবা এন.দি.এ. সরকারগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী ষ্টেট এমব্লেম ‘কংলা শা’ কনা কনানা করম্বা মতমদা করিগীদমক শীজিন্নগদগে হায়বগী কাঙলোন অমত্তা থিবা খঙদ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-কোসেমনা লৌবা ক্লাস এলভেন অমসুং টুয়েল্বকী পরিক্ষাশিংদা চহি অসিদগী হৌদুনা গ্রেদিং সিষ্টেম চৎনরগনি হায়না কেবিনেট মীফম অমনা লেপখিবা ৱারেপ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-লৈঙাকা ফোরেন্নরস ত্রিব্যুনেল শেমদুনা অথুবদা চিংনবা মফমশিংদগী মীতোপ খন্দোক্কদবনি হায়না কংগ্রেসনা পার্টিনা থল্লকখিবা

ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী ৱাথোক লোয়শিন্নবা খুদক্তা প্রোক্সি ৱার লেপহল্লু হায়না কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না থল্লকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেনাপতি জিলাগী ফুবাদা দাউজিজি ইকো টুরিজম পার্ক হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েট লম্বী তমেংলোং ফিফতি থ্রি এ.সিগী এম.এল.এ. জাংহেমলুং পামৈনা শেমজিন শাজিনখিবগী পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসনগী ফল ঙসি লাউথোক্লগনি হায়বা অমসুং হেনতা ভাইরস ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী ওইনা অরুবা ৱাফম অমা ওইরক্লিবা হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।